### জুন ২২দা য়ুনিয়ন কেবীনেট রিসফল তৌরবা য়াই

# মীখল পাঙথোক্কদৌরবা উত্তরখন্দ, উত্তর প্রদেশকী মীওই কয়া মিনিষ্ট্রিদা য়াওহনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুন ২২দা য়ুনিয়ন কেবীনেট রিসফল তৌবগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবা মিনিষ্টর খরা লৌথোক্লগা অনৌবা মীওইশিং হাপচিল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

মিদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দগুম্বা ষ্টেটশিংগী মীওই কয়া মিনিষ্ট্রিদা য়াওহল্লবা য়াই হায়রি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইহনগদৌরিবা মীওইশিংগী মনুংদা উত্তরখন্দগী ভগত সিংহ কোসিয়ারি অমসুং আসামগী রামেশ্বর তেলি য়াওই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। সর্বনন্দ সোনোৱালনা আসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুংদা হাঙদুনা লৈহৌরিবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর স্পোর্টস (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ)সু নুমিৎ অদুদা মেনশিনগদৌরি।

পার্টিগী সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়খি মদুদি, জুন ১৮দগীনা ২২ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী থৌরাং লৌখৎকনি। জুন ১৮দা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা ইন্দিয়াদা হল্লকপগা লোয়ননা জুন ২৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাক্তা চৎকদবা লৈবনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবনা খ্বাইদগী খুদোং চাগনি হায়না থাজনরি।

কেবীনেট রিসফল তৌরবা মতুংদা ওর্গনাইজেসনগী ওইনা ফম পায়রিবা মীওইশিং হোংদোক-হোংজিন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, অরুন জেটলি, রাজনাথ সিংহ, সুস্মা স্বরাজ অমসুং নিতিন গাদকারিনচিংবা বি জে পিগী সিনিয়র লিদরশিংদি মখোয় মখোয়না পায়রিবা পোর্টফোলিওশিং অদুমক পায়হল্লবা য়াই।

পনবা য়াবদি, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা অথুবা মতমদা য়ুনিয়ন কেবীনেট রিসফল তৌদুনা অনৌবা মীওই কয়া মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা পার্টিগী হেদক্কার্টর্সতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মথৌ পাঙথোক্তবা মিনিষ্টর খরা লৌথোক্লগা অনৌবা মীওই খরা য়ুনিয়ন কেবীনেটতা হাপচিন্নবা থৌরাং তৌবা লোইরে। পার্টিগী ওইনা পন্দুনা লৈরিবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন কেবীনেটতগী মীওই খরা লৌথোক্লগা অনৌবা মীওইশিং হাপচিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

করম্বা মতমদা য়ুনিয়ন কেবীনেট রিসফল তৌগদগে হায়বদুদি অমিত শাহনা চপ চানা ফোঙদোকখিদে। অদুবু হাঙদুনা লৈরিবা স্পোর্টস মিনিষ্টরগী ফম মেনশিনবগী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না অথুবা মতমদা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলবা য়াই হায়না থাজনরি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা গভর্ণমেন্ট পায়রকপা চহী ২ শুরকপগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা মথৌ পাঙথোক্তবা মিনিষ্টর খরা লৌথোক্লগা অনৌবা মীওইশিং হাপচিন্দুনা মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নাদা, ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকর অমসুং মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন টরপ্রাইজেসকী ষ্টেট মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহবু মফম লৌথোক্লবা য়াই।

দেকান ক্রোনিকলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরগী মীখলগী ফল য়েংলগা অথুবা মতমদা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলকপনি।

সোর্স খরা পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়খি, হেল্থ মিনিষ্টর অমা ওইরিবা জে পি নাদাগী থবক থৌওংদা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসনা পেন্দ্রে। ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর ওইরিবা প্রকাশ জাবদেকরসু ফম অসি পায়বদা মতিক চাদ্রে হায়না পি এম ওনা লৌরি।

# পথানকোটকী এটেক লমজিংখিবা জে ঈ এম লিদর অফঘানিষ্টানদা চেনশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
পথানকোটকী এয়র বেজদা এটেক চথুখিবা টেররিষ্টশিংবু টেলিফোনগী খুথাংদা পাউতাক পীদুনা লমজিং লমতাকখিবা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)গী লূচিংবা অদু অফঘানিষ্টানদা চেনশিনখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি)গী মেম্বর অমনা হায়খি মদুদি, জন্যুৱারী ২দা পথানকোটকী এয়র বেজদা এটেক চথুরকখিবা টেররিষ্টশিং অদু জে ঈ এমগী মরুওইবা লূচিংবা অমনা টেলিফোনগী খুথাংদা কয়ারক হন্না পাউপীরক্তুনা লমজিং লমতাকখি।

মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবা জে ঈ এমগী লূচিংবা অদুনা পাকিষ্টানগী ট্রাইবল এরিয়া অমদা লোত্তুনা লৈরগা টেররিষ্টশিংগা ১৮লক হন্না টেলিফোন্দা পাউ ফাওনখিবগী খুদম ফংলে হায়রি।

লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা খোঙ্গুল লীবা মতমদা মীওই অদু পাকিষ্টানগী ট্রাইবল এরিয়া অমদা লৈরম্বদগী অফঘানিষ্টানলোমদা চেনশিনখিবগী খুদম ফংবা ঙমখি। অদুম ওইনমক পথানকোটকী এটেক লমজিং লমতাকখিবা মীওই অদু জে ঈ এমদগী তোকখ্রবা মীওইনি হায়না লূপ অসিগী লূচিংবা মাসুদ অজরদা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব পুলিসকী কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সী টি দি)না পথানকোটকী এয়র বেজদা এটেক চথুরকখিবা টেররিষ্টশিং অদুগী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মথক্তা চার্জ তৌবা লৈত্রি।

পাকিষ্টান পেনাল কোদ (পি পি সী)কী সেক্সন ৩০২, ৩২৪ অমসুং ১০৯ লোয়ননা এন্তি টেররিজম এক্টকী সেক্সন ৭ অমদি ২১গী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবসু থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমত্তগী মমিং ফোঙদোকপা লৈত্রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাঙজৌননা লাউথোকপা তৌদনা দিসেম্বর ২৫দা লাহোরদা চত্তুনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকা উনখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা পথানকোটকী এয়র বেজদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মপুং ওইনা চেন্নে হায়না ইন্দিয়ানা মরাল শীরিবা জে ঈ এমগী লূচিংবা মাসুদ অজরবু জন্যুৱারী ১৪দগী হৌনা কষ্টদিদা থমখ্রবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পথানকোটতা লৈবা বেজদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চঙলকপা মীওই খূদিংমক নোংমৈনা কাপ্পগী অয়াবা পীখ্রে।

বেজ অদুদা মিলিটেন্টশিংনা অমুক্কসু এটেক চথুরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা পাউ পীরকখ্রবা মতুংদা আর্মি, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং পঞ্জাব পুলিসনা অকোয়বগী খুঙ্গংশিংদা ওপরেসন চথুখি।

পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওরিবা অকিবা অমদি চিংনবা পূম্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এয়র বেজগী অকোয়বদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখিবনি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতাংদা পাকিষ্টানগী জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) অমা লাক্তুনা পথানকোটতা য়েংশিল্লম্বা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা থাদোকখিবা টেররিষ্ট অমনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা পথানকোটতা এটেক চথুরকখিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এন দি টি ভীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা থাদোকখিবা সহিদ লতিফ (৪৭) কৌবা মীওই অমনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা পথানকোটতা এটেক চথুরকখিবনি। লতিফ হায়রিবা মীওই অসি পাকিষ্টানদগী হৌরকখিবা জাইস-ঈ-মহমদকী মরুওইবা লূচিংবা অমনি।

নার্কোটিক্স অমসুং টেররিজমগী কেসকা মরী লৈননা কুমজা ১৯৯৬তা জম্মু রিজনদগী ফাখিবা মীওই অসি য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা থাদোকখ্রবা মতুংদা মীওই অসিনা মরুওইবা থৌরাং লৌরগা পথানকোটকী এয়র বেজদা এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, পঞ্জাবকী পথানকোটতা লৈবা এয়রফোর্সকী বেজ অমদি অফঘানিষ্টানগী মজার-ঈ-সরিফতা লৈবা ইন্দিয়ন কোন্সুলেটতা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু মরী লৈনখিবগী খুদম ফংবা লৈখ্রবনি।

# ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা থৌরাং মায় পাকহনখিদ্রে



শ্রীনগর, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মিলিটেন্টশিংনা পাকিষ্টানলোমদগী ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে।

ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা হোৎনরকখিবা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্লবদা আর্মি জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট অহুম হাৎপা ঙল্লে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, কাশ্মীরগী তাংধার সেক্টরদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা মিলিটেন্ট খরনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদগী মফম অদুদা মথৌ তৌরম্বা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না অথিংবা পীখি। নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক খুৎ থোক্লবদা বি এস এফকী জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট মরি হাৎপা ঙল্লে হায়রি।

নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদসু মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মছিল সেক্টরদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা আর্মি জৱান অমা অমসুং মিলিটেন্ট অমা শিখিবনি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী শোপিয়ানদা লৈবা বাতপোরা চোক অমদি পুলিস ষ্টেসন অমদা শকখঙদবশিংনা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথুরকপদা মীচম অহুম শোক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, শুপ্পগী মিটর ২০০ খক লাপ্পনা লৈবা মফম অনীদা শকখঙদবশিংনা মতম অমত্তদা গ্রেনেদ অনী লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা দুকান ফম্বা মীওই অনী য়াওই হায়রি।

অশোকপা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবগা লোয়ননা অকোয়বগী মফমশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতসু জম্মু-শ্রীনগর নেসনল হায়ৱেগী কুদ এরিয়াদা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্প অমদা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকপা লৈখ্রবনি। শ্রীনগরদগী জম্মু তন্না বস অমা তোংলগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা সী আর পি এফকী কেম্পতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথুরমখিবনি হায়রি।

# ‘বি জে পিগী মীওই অমবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা হোৎনরি’



ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা মপুং ফাবা মেজোরিটি ফংদুনা গভর্ণমেন্ট শেমখ্রবা বি জে পিনা কুমজা ২০১৭তা পার্টি অসিগী মীওই অমবু লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি মনুংগী সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা বি জে পিগী মীওই অমা থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলি। সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা পার্টি অসিনা ষ্টেট খরদসু গভর্ণমেন্ট পায়রিবা মরম্না প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা পার্টিগী মীরেপনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থম্লি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রনাব মুখর্জিবু মায়থিবা পীদুনা বি জে পিগী মীওই অমা ফম অসি পায়হনবা হায়বসি পার্টিগী মরুওইবা পান্দমনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা এন দি এগী মপাং ওইরিবা পার্টিশিংগা পুন্দুনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারী বাসপায়ীগী লীচিং মখাদা এন দি এনা গভর্ণমেন্ট পায়খিবা মতমদা মথৌ তাবা মশীং শুনা লৈখিদবা মরম্না পার্টিগী মীওই অমবু প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎপা ঙমখিদে।

হন্দক্তি বি জে পিনা লোক সভাদা মেজোরিটি ওইবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্র, হরিয়ানা, ঝরখন্দ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং আসামদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা মরম্না প্রসিদেন্ট মীরেপ অমা থাগৎপদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থম্লি।

লোক সভাদা অপুনবা এম পি মশীং ২৮২ লৈরিবা বি জে পিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এম এল এ মশীং পুন্না ১,১২৬নি। কোংগ্রেসকী ওইনদি লোক সভাদা শুপ্পগী এম পি ৪৪ খক লৈবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা এম এল এ ৯০০ খক লৈরি। উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

# কোংগ্রেসনা শিলা দিক্সিতপু উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর মীরেপ ওইনা পুথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকহন্নবগীদমক পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্না অঙম্বা থাক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌনখ্রে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট খরগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায়থিবা ফংখ্রবা কোংগ্রেসনা য়ু পিদা শিলা দিক্সিতপু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা থাগৎলবা য়াই হায়না থাজনরি।

এন দি টি ভীদা ফোঙদোকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি, শিলা দিক্সিতনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগা উনদুনা য়ু পিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হৌখ্রে।

ইলেক্সন ষ্ট্রেটিজিষ্ট প্রসান্ত কিশ্বরগী পাউতাক মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসনা ব্রহ্মিন অমবু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

কোংগ্রেসনা য়ু পিগী মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্লবগীদমকা প্রসান্ত কিশ্বরগা মাঙজৌননা ৱা তানবা হৌখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা প্রসান্ত কিশ্বরগী পাউতাক লৌদুনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎখিবদগী মীখল অদুদা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি কমল নাথবু পঞ্জাবকী ইন-চার্জ ওইবা তোকহনখ্রবা মতুংদা শিলা দিক্সিতপু ফম অসি পুনবা খঙহনখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রবসু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা শিলা দিক্সিতপু মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুনবা খঙহনখ্রে হায়না পার্টি মনুংগী সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

HL-Cr/0031/8,10,13,15 & 17Jun

শরুক য়াবীয়ু
শরুক য়াবীয়ু

১৫শুবা ডি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে

অ য়ু মু সি কো এম

জুন ১৮, ২০১৬ (থাংজ)
মফম : কেক্রুপাৎ, ইম্ফাল
মতম :
অয়ুক পুং ৫:০০দগী নুংথিল পুং ৬:০০ ফাওবা
লাইশোন থৌরম, হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা
অমসুং মীয়ামগী অচৌবা মীফম
ওর্গনাইজ বাই :
ওবজার্ভেসন কম্মিটি, অমুকো অমসুং য়ু সি এম

# শিখ্রে থাজনরুরবা জৱান হল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) : সিনেমা দ্রামাগা মান্নবা মওংদা শিখ্রে হায়না থাজনরুরবা ইন্দিয়ন আর্মিগী জৱান অমা চহী ৭কী মতুংদা অমুক হন্না ময়ুমদা হল্লকখ্রে।

কুমজা ২০০৯দা মমান্নবা অমগা লোয়ননা এক্সিদেন্ট অমদা শিখ্রে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা পেন্সন ফাওবা পীখ্রবা আর্মরদ রেজিমেন্টকী ধরন্বীর সিংহ কৌবা জৱান অমা চহী ৭কী মতুংদা তেক্তা কায়দনা ময়ুমদা অমুক হল্লকখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৯দা এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোক্তুনা ৱাখল চোইরুরবা ধরন্বীরনা ময়ুমদা অমুক হন্না পাউ ফাওরকখিদবা মরম্না মহাকপু শিখ্রে হায়না থাজনখি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মহাক শিখ্রে হায়না দেথ সার্টিফিকেট ফাওবা পীখিবগা লোয়ননা পেন্সন পীবা হৌখি।

টৈংপাঙপোং/লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07

# এম সী আইগী অয়াবা ফংখিদ্রবা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজশিংদা এপ্রুভেল লৌনবগী তাঞ্জা পীগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :
হন্দক্তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখিদ্রবা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজশিংদা এপ্রুভেল লৌনবগী তাঞ্জা অমা পীগদৌরি।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা আর এম লোধানা লূচিংবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অমনা মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই)গী থবক থৌরমশিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা এপ্রুভেল ফংখিদ্রবা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজশিংবু এপ্রুভেল লৌনবগী তাঞ্জা অমা পীখিবনি।

মমাঙ চয়োলদা এম সী আইগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজ ৮০ লিংখৎপগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রবনি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মেদিকেল কোলেজ ৪৭না কুমজা ২০১৬-১৭তগী হৌনা এম বি বি এসকী মহৈরোয় মশীং হেন্না লৌবগী ৱাফমসু অয়াবা পীখিদে।

মেদিকেল কোলেজ ৩৯না লাক্লিবা একাদেমিক সেসন অসিদগী হৌনা মহৈরোয় মশীং হেন্না লৌবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সুপর স্পেসলিটি কোর্স হাংদোক্লবা হায়জরকপদা অয়াবা পীখিদ্রবনি।

লোধা কম্মিটিগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না মেদিকেল কোলেজ ১৭৫না জুন ২২ ফাওবগী মমাঙদা মখোয় মখোয়গী অপাম্বশিং ফংনবগীদমক য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিদা রেপ্রজেন্টেসনশিং পীশিনবা য়ারগনি।

হায়রিবা থবক থৌরমশিং অদু নুমিৎ ৪৫গী মনুংদা য়েংশিল্লগা মিনিষ্ট্রিনা অরোইবা ৱারেপ অমা লাউথোরক্লগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মথৌ তাবা চে-চাং পুথোকপা ঙমদবদগী এম সী আইনা রিজেক্ট তৌখ্রবা মেদিকেল কোলেজশিংদদি খুদোংচাবা অসি পীরোইদৌরি।

HL-B/3106/May, 1,3,5,7,9,11,13,15,17,19,21,23 June

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X Starts 9th June 2016
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Starts 9th June 2016 Limited Seat Time - 4:30 pm to 7:30 pm

1st Position (2016)
Sohana Laishram



I feel a heavenly delight in achieving such a wonderful feat. I sincerely thank Angels' Coaching Centre for their constant guidance and support. The study materials they provided and the frequent mock tests were of immense help to me. No doubt, Angels' Coaching Centre is an unparalled coaching centre in Manipur.
— Sohana Laishram

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
8732022342

3rd Position (2016)
M. Vasundhara



My achievements uptil this stage of my life would not have been possible without the support of my teachers. And, I would, especially, like to thank the faculty of the Angels' Coaching Centre. Had it not been for their support and encouragement, I would never have made it thus far. Angels' is a wonderful institute and it is an honour to have been under the guidance of such wonderful teachers.
- Maibam Vasundhara